# এসিয়াগী অহানবা ৱিমেন্স ক্লব চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইন্দিয়াগী টিম অমা শরুক য়াবা ফংগদৌরি

ন্যু দেল্লী, মে ০৪ (এজেন্সী):
এসিয়নফুটবোলকনফিদরেসননা অহানবা ওইনা শীন্দুনা এসিয়াগী ওইবা নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী লীগ টুর্নামেন্ট অমা অহানবা ওইনা শীনগদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অমসু শরুক য়াবা ফংগদৌরি।



ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী ওইনা কুমজা ২০২২দা অচৌবা পুৱারীগী ওইবা খূদোংচাবা ফংগদৌরি। চহী অদুদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টশান্নগদৌরি। মদুদসু নৎতনা চহী অদুমক্তদা চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টসু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইগদৌরিবনি।

নুপীগী ফুটবোলগী লম্দা মালেমগী ওইনা ইন্দিয়াবু মশক খঙদুনা মরুওইবা টুর্নামেন্টশিংগী য়ূম্বু ওইননবা খূদোংচাবা পীরকপা অসিদসু নৎতনা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা এ এফ সী ৱিমেন্স ক্লব চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইন্দিয়াগী টিম অমসু শরুকয়াগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসি এসিয়াগী লৈবাক ৮দগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩০দগী নবেম্বর ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লনবা শেম শারি।

গ্রুপ এ (ইষ্ট) অসিদা চাইনিজ টাইপৈ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী টিমশিং য়াওরি। অদুগা গ্রুপ বি (ৱেষ্ট) অসিদনা ইরান, জোর্দান, উজবেকিষ্টান অমদি ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব অমগনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব অসি লৈবাক অসিনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী চেম্পিয়ন্স ওইবা ঙমখিবা ক্লব অদুনা মহুৎ শিনগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা ফোঙদোকখিবদা, এ এফ সী ৱিমেন্স ক্লব চেম্পিয়নশিপ ২০২১ অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী ক্লব অমা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী নুপীগী ফুটবোলগী লম্দা অহেনবা খূদোংচাবা ফংলগনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোল হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অহেনবা থাক্তা পুখৎনবগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিগী মনুংচন্না লৈবাক অসিগী ক্লব অমনা এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল ক্লবকী ওইবা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াবা ঙম্বগী তাঞ্জা অমা লাক্লিবা অসি অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা অমা লৈরিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা অথুবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগা লোয়ননা এ এফ সী ৱিমেন্স ক্লব লাইসেন্সিং সিষ্টমগী মতাংদা ৱর্কশোপ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে



মুম্বাই, মে ০৪ (এজেন্সী):
বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না শীন্দুনা মুম্বাই, অহমেদবাদ, চেন্নাই অমসুং দেল্লীদা পাঙথোক্লম্বা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়ারিবা টিমশিংগী শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফ কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

ৱাফম অসি বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ঙসি ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপনি। ওফিসল অদুনা মখা তারদুনা হৌজিক্কী ওইনদি ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি সস্পেন্দ তৌরে। মখা তারকপা লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু করম্বা মতমদা শান্নবা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল অমা কোন্না থোক্লক্কনি হায়রি।

বি সী সী আইগী ইমর্জেন্সি মীফম অমগী মতুংদা থোকখিবা এদভাইজরিদা য়েৎনবা য়াওদনা আই পি এল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নমেন্ট ২০২১ সিজন অসিগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়রি। মীফম অদুদা বি সী সী আই অমদি ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ গভর্নিং কাউন্সিল অনীগী মরক্তা ফমখিবনি।

বি সী সী আইনা শান্নরোয়শিংগী শাফবা, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি অতোপ্পা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপদা শিন-লাংবগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওই পূম্নমক্কী শাফনবগীদমক খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

মীফম অদুগী মতুংদা থোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অৱাবা থেংনরিঙৈ মনুং অসিদা মীয়ামদা ৱাখল পোথাহন্নবা অমদি শান্নরোয়শিংদসু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা আই পি এল টি-২০ অসি পাঙথোকখিবনি। অদুবু নিংথৌকাবা নুমীৎতা অহমেদবাদতা শান্নরমগদবা কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমদি রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী মেটচ অদুগী মাংওইননা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী স্পিন্নর বরুন চক্রবর্টি অমদি সিম বোলর সন্দিপ ৱারিয়র কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মেটচ অদু য়ৈথোকখিবনি। মখোয় অনীখক্তা নৎতনা অতোপ্পা শান্নরোয় অমিট মিশ্রা অমদি রিধিমান শাহসু কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী ইমর্জেন্সি মীফম অদু ঙসি পাঙথোক্লবা মতুং টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোকখিবনি হায়রি। চেন্নাই সুপর কিংসকী কোচ বালাজি অমসুং টিম মেম্বরশিংনা তোংবা বস অদু শেন্নবা মীওই অমসু কোভিদ পোজিটিভ ওইরকখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা স্পেন অমসুং জর্মনিগা শান্নগদবা প্রো লীগ হোক্কীগী মেটচশিং অদু য়ৈথোকখ্রে

লোজেন, মে ০৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা হোক্কী প্রো লীগকী অৱে মেটচশিংদা স্পেন অমসুং জর্মনিগা শান্নগদবা অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং থেংনরিবা অসিদা ইন্দিয়াদনা অহেনবা মওংদা থেংনরিবনি। মরম অসিনা ইন্টরনেসনলগী ট্রাভেলগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং অথিংবা থম্লকপদগী থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬তা স্পেনদা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমনা চৎতুনা শান্নগদবা প্রো লীগকী মেটচ অনী অমদি মখা তানা মে ২২ অমসুং ২৩দা জর্মনিদা চৎতুনা শান্নগদবা অতোপ্পা মেটচ অনী অদুসু হায়রিবা ফীভম অসি লাকপদগী য়ৈথোকখিবনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমদি ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগা লোয়ননা জর্মনি, স্পেন অমসুং গ্রেট বৃটেনগী নেসনল হোক্কী ফেদরেসনশিংগা পূন্না ৱারী শানরবা মতুং প্রো লীগকী মেটচশিং অসি য়ৈথোকখিবনি হায়না ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। য়ৈথোকখ্রবা মেটচশিং অসি মখা তারকপদা অনৌবা মতম অমা লেপ্পনবা অথুবদা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু পল্লক্লি।

ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী হোক্কী কম্যুনিটিদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা কোভিদকী চৈথেং মরক অসিদা হোক্কী শান্নরোয়শিং খক্তা নৎতনা মখোয়গী ইমুং-মনুং অমদি খঙনচানবশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরকখি।

হোক্কী মশান্না অসিগী পুৱারীদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা অমদি মশান্না অসিগী ওইবা হৌজিক-হৌজিক্কী ফীভমদসু চাউখৎনবা হোৎনবদা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী হোক্কী ফ্রেটর্নিটি পূম্নমক ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমনা হন্দক্তা বুইনোস আইরেসতা য়ূম্বু ওইখিবা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্জেন্টিনাবু হোক্কী প্রো লীগকী মেটচ ২ থংন-থংননা মায়থীবা পীবা ঙম্বতা নৎতনা প্রেক্টিস গেম ৪গী মনুংদা ২ মায় পাক্লগা, ২ দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়াগী হোক্কীগী থাক অসি হান্নদগী য়াম্না চাওনা ফগৎলকপগী মমি অমা তাখিবনি।

# ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবা শুটরশিং ভেক্সিন কাপ্লগনি

ন্যু দেল্লী, মে ০৪ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী-দমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা মে ১১দা ক্রোএসিয়াগী সিটি জাগ্রেবতা টুর অমা চৎকদৌরিবা অদুগী মাংওইননা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্লগনি হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী শুটরশিং অসিনা ক্রোএসিয়াগী সিটি জাগ্রেবতা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা চার্টরদ ফ্লাইট অমদা পূন্না চৎকদৌরিবনি। কম্পিটিসন অদু থা অসিগী ২০দগী জুন ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

শুটরশিং অদুনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ অদু শরুক য়াবা লোইরগা জাগ্রেব সিটিদা মখা তানা লৈথদুনা ট্রেনিং চখরবা মতুং টোকিওগীদমক্তা মফম অদুদগী ইন্দিয়া য়ৌরক্তনা গেমস অদু শরুক য়ানবা চৎকদৌরি হায়রি।

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা চেরোল অমদা, ক্রোএসিয়ন শুটিং ফেদরেসনগা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্পা ৱারী শানরবা মতুং থবক থৌরম পূম্নমক পায়খৎপা লোইরে হায়রি। নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শুটরশিং, কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফ পূম্নমক চার্টরদ ফ্লাইট অমদা জাগ্রেবকীদমক্তা চৎকদৌরিবনি।

এসোসিএসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা জাগ্রেব য়ৌদ্রিঙৈ মাংওইননা থা অসিগী ৬তা শুটরশিং অমদি ওফিসল পূম্নমক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোক্লগনি হায়রি। নীংশিংবা য়াই, মমাং থাদা ইন্দিয়ানা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা মীওই ১৫গী মমিং লাউথোকখিবনি।

# সানিয়া মির্জানা কোভিদ-১৯ নারবশিংগী ওক্সিজেন পীনবা ফন্দ খোমজিনবগী কেম্পেয়্যন হৌখ্রে

হায়দরবাদ, মে ০৪ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল টেন্নিসতা গ্রান্দস্লাম ৬লক ফংবা ঙমখ্রবী সানিয়া মির্জানা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ নারবা মীওইশিংনা তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা মেদিকেল ওক্সিজেন ফংহন্নবগীদমক্তা ফন্দ খোমজিনবগী কেম্পেয়্যন হৌদোকখ্রে।



কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাকপদগী সানিয়া মির্জা মশামক ইন্টরনেসনল কম্পিটিটিভ টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা লেপখিবনি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইরগা পোজিটিভ ওইবগী মশীং মালেমগী ওইনা য়েংনরুবদা কিনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলুরগা অনাবশিং অদুনা লায়েংবদা ওক্সিজেনগী চঙগদবা চাং অদু ৱাৎলকপদগী লৈখিদবা কয়া অমসু য়াওরবনি। করিগুম্বা মেদিকেল ওক্সিজেন অসি মরাং কাইনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং অদুনা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা লৈরম্লবদি শিবদগী কল্লম্বা য়াবা খূদোংচাবা লৈরম্বনি হায়না মশাগী চহী ৩৪ শুরবী ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী টেন্নিসতা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙম্লবী শান্নরোয় অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা শোকহল্লবা অনাবশিং অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মেদিকেল ওক্সিজেন পীননবা হোৎনবদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লৈরি। তমথীরবা কোভিদ ভাইরস অসি লান্থেংননবা ঐখোয় মীয়াম পূন্না থবক পায়খৎমিন্নগদবনি হায়না সানিয়া মির্জানা মখা তাখি।

সানিয়া মির্জানা হৌদোকখিবা কেম্পেয়্যন অসিনা 'হেমকুন্ট ফাউন্দেসন-কিটো' অসিবু মতেং পাংননবা ফন্দশিং অসি খোমজিনবনি। নুমীৎ ৪৬নি চুপ্পা চথগদবা কেম্পেয়্যন অসিদা লুপা লাখ ২৫গী টার্গেট থম্লি। ঙসি হৌদোকখিবা কেম্পেয়্যন অসিদা সানিয়া মির্জানা লিশিং ৪৬ খোমগৎপা ঙমখি।

# আই পি এল য়ৈথোকখিবদগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী মতাংদা চিংনবা লাক্লি

ন্যু দেল্লী, মে ০৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৪দা চথুরম্বা মালেমগী ওইনা টি-২০ ক্রিকেট টুর্নমেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়না লৌনরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী য়ৈথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না শেম শারিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু চিংনবা লাক্লি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা টিম ৮গী মনুংদা টিম ৪গী শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনি। আই পি এল অসি বাইও ববল অমগী মনুংদা শান্নবা মরম্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লাকপনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অদুগী শরুক য়ারিবা টিম তংখায় অমগী মনুংদা পোজিটিভ ওইরকপা থেংনরকপা অসিনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট বোর্দনা শিল্লিবা বাইও সেক্যুর ওইবা ইনভাইরনমেন্ট অদু কদায় ফাওবা থবক তৌরিবগে হায়বগী ৱাহং হংনরক্লি।

ফীভম অসিদা চহী অসিগী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপদা চিংনবা লাক্লিবনি। থা ৫ হেন্না মতম লৈরিবনিনা হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনদি বি সী সী আইনা ৱর্ল্ড কপ য়ূম্বু ওইবগী লৈরিবা খূদোংচাবা অসি ঙম্লরোই হায়না লাউথোকপগী ৱারেপতি লৌদ্রি। আই পি এল চথুরিঙৈ মনুংদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী টিম অমা লাক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুসু য়ৈথোকখ্রবনি। মরক অসিদা ইন্দিয়াদা করিগুম্বা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোকপা ঙমদ্রগসু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা ষ্টেন্দবাই ওইনা লৈরি।

# 'ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা ইন্দিয়াগী টিমনা শান্নবদা খূদোংচাবা ফংবা খূদিংমক পাঞ্জল ওন্থোকপগী লম্দা হোৎনবা মথৌ তারি'

বেঙ্গলুরু, মে ০৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা ললিট উপধ্যায়না ফোঙদোকখিবদা, টিম অদুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শানবা হোৎনবদা মমাংদা টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মতমদা খূদোংচাবা ফংবা পূম্নমক পাঞ্জল ওন্থোকপগী পাঙ্গল খরা শোথরিবা অদুদা অহেনবা পূক্নিং চঙশিনবগী মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা অর্জেন্টিনা টুরদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা প্রেক্টিস মেটচ ৪দা পাঞ্জল ১২ চনবা ঙমখি। অদুগা প্রো লীগ মেটচ অনীদনা পাঞ্জল ৫ চনখি। মখোয়না পাঞ্জল চনখিবশিং অদু ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা টিমনি। অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হায়রিবা টুর অদুদা পাঞ্জল পূন্না ১৭ চনখিবগী মনুংদা ৯ অমদি পেনাল্টি কোর্নরগী মতেংনা চনখিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মায়োক্নবা টিমগা লম্বা তৌনবদা খূদোংচাবা ফংবা পূম্নমক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নবগী অহেনবা পাঙ্গল অদু লাক্নবা হোৎনবা মথৌ তারি হায়খি।



অর্জেন্টিনাগুম্বা থাক ৱাংবা টিম অমগা লম্বা তৌনবদা ফিল্ড গোল চনবদা য়াম্না অৱাবা মায়োক্নখি। মরমদি অর্জেন্টিনাগী দিফেন্দরশিং অদুগী মশান্না অদু থাক য়াম্না ৱাংখি। ললিট উপধ্যায় মশামক অর্জেন্টিনাগা শান্নখিবা প্রো লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা ৩-০দা থোইখিবা স্কোর অদুদা মহাক্কী পাঞ্জলসু য়াওখি।

ষ্ট্রাইকর অদুনা মখা তারদুনা হৌখিবা থা খরা অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা খূদোংচাবা ফংবদা পাঞ্জল ওন্থোক্লবগী হীরমদা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথখি। লোয়ননা পেনাল্টি কোর্নর মশীং হেন্না ফংনবগী লম্দসু হোৎনখি।

মিটর ২৫গী ওইবা মফমদগী পেনাল্টি সর্কল মনুংদা মায়োক্লবা টিম অদুগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্তুনা করম্না বোল পুশিল্লগা পাঞ্জল ওন্থোক্কদগে হায়বগী মতাংদসু হোৎনদুনা লাকখি। হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী টিম অসি বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা কেম্প তৌদুনা লৈরি। কেম্প অসিদা মখোয়না পেনাল্টি সর্কল মনুংদা অহেনবা স্কিল শীজিন্নদুনা পাঞ্জল চন্নবগী মায়কৈদা ট্রেনিং চথরি।

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অমা লাক্লিবা অসিনা চৈথেং কয়া মায়োক্লরবসু টিম অসিনা হোৎনরিবা অসিগী মহয় ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শুংশোয় শোয়দনা মেদল ফংবা ঙমগনি হায়রি। হায়রিবা থাজবা অসি কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা কোর গ্রুপ অদুগী শান্নরোয় খূদিংমক্কা থম্লি।

# থাঙ-তাগী ওজা অমুমচানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস):
থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংনা ৱাবগাই ময়াই লৈকাইদা লৈবা ওজা য়ুম্নাম অমুমচা (৮০)না হৌখিবা এপ্রিল ৩০দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী শিনারেন চুংখাম সুনিলকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অহল মতম য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা ইরমদম মণিপুর কংলৈপাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা হুয়েন লাল্লোং থাঙ-তাবু চাউখৎনবা অমদি হিংহন্নবা হোৎনবীরম্বতা নৎতনা লৈবাক অসিগী থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী এদভাইজরসু ওইরমখি।

লোয়ননা কুমজা ২০১২দা মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা ওজা অসিবু থাঙ-তাবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংবু শকখঙবীদুনা 'কলা ভুষন' কৌবা এৱার্দসু ফংখি।

লৈপাক মপূ ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনসু ওজাগী হেন্দোক-থোইদোকপা কথোকপগী থৌনা লিংজেলবু খঙবীদুনা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মেরা ক্বাক তানবা নুমীৎতা খামেন (কামু) চৎপা মনা ফি পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রবা ৱাবগাই ময়াই লৈকাইদগী য়ুম্নাম অমুমচানা ইখঙ খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী মনুং-মতম চাদনা লাইরমলেন্দা তিনখিবদা থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওজানা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিনা থাঙ-তাগী লম্দা থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগীতা নৎতনা ইরমদম মণিপুরগী ওইনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহাঙবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

ওজাগী থৱায়না লাইরমলেনদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা তাইবংশেম্বা মপূগী মফমদা থৌনীজখি। লোয়ননা ওজাগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনননা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা টিমদা শান্নরোয় ২৬ লৈহল্লগনি

লোজেন, মে ০৪ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনননা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না য়ুরো ২০২০গী মেটচ শান্নগদবা টিমশিংদা কোচশিংগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈবনা শান্নরোয় মশীং ৱাৎহৌগদ্রা চিংনবগী ৱাফম থাঙ্গৎলকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টিম অমদা হান্না শান্নরোয় ২৩ লৈরম্বদগী ২৬তা হেনগৎপগী অয়াবা পীখ্রে।

ফ্রান্সকী কোচ দিদিএর দেশকেম, বেলজিয়মগী কোচ রোবর্টো মার্টিনেজ অমদি অতোপ্পা কয়ানসু কাঙলোনগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ চাংনাইনা টেষ্ট তৌগদবা লৈবা মরম্না শান্নরিঙৈ মনুংদা শান্নরোয় পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লবদি মখোয়গী মহুৎ শিন্ননবা অহেনবা মশীংগী ওইবা টিম অমা লৈবা মথৌ তারকপদগী ৱাফম অসি য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনদা পুখৎলকখিবনি। অমরোমদা, ইংলেন্দগী মেনেজর জেরেথ সাউথগেটনদি ৱাফম অসিগী মায়োক্তা লৈরি।

য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী মেটচ শান্নগদবা নুমীৎশিংদদি শান্নরোয় ২৩না টিম অমা অদুম্মক শেম্বগী কাঙলোন অদু লৈখিগনি। অদুগা অহেনবা শান্নরোয় ৩ অমনা রিজর্ভ ওইনা থমগদৌরিবনি।

য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনননা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা কাঙলোনশিং অসিগী মনুং চন্না চহী অসিগী জুন ১গী মাংওইননা টিম অমগী শান্নরোয় মশীং লাউথোকপগী মতম অদু শাংদোক্তুনা মখোয়না শান্নগদবা অহানবা মেটচ অদুগী মাংওইননা শান্নরোয় শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী অয়াবা পীরি। অনাবা নৎত্রগা অশোকপা য়াওরকপা মতমদা শান্নরোয়শিং অদু শিনগদৌরিবনি। মসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা নৎত্রগা পোজিটিভ ওইবা মীওইগা নকশিন্নরুবা মীওইশিংসু শিন্দোকপা য়াবগী খূদোংচাবা পীরি। লোয়ননা পীরিবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট অদুদগী শিন্দোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মখা তানা কম্পিটিসন য়াওবা য়ারোই।

PENSION LOAN

Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।

থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com